# মীখলদা অমুক হন্না মায় পাক্লবদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্কনি ঃ অমিত সাহ



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী)ঃ**
মীখলদা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়বা থোক্লবদি জম্মু এন্দ কাস্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্কনি হায়না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঝরন্দগী পালামো দিষ্ট্রিক্টতা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীফম অমদা অমিতসাহনা হায়খি কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিপ এলাইয়েন্স (য়ু পি এ)না সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিঙৈদা পাকিস্তানদগী টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা ইনি দয়াদা য়াম্না তোইনা এটেক চখ্থরকখি।

লৈবাক অসিগী লান্মী কয়া টেররিষ্টশিং মঙক ককথৎলম্বগী থৌদোক থোকখি। লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা কৈদৌঙৈদসু মন্তিক্লবা তৌরোই । কাস্মিরিবু ইন্দিয়াদগী তোখাই তাহন্নবগী মতাংদা পাকিস্তাননা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং মায় পাকপা ঙমহল্লোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কাস্মিরগী তোখাইবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা লৈহনগদবনি হায়না নেসনল কনফরেন্সকী লুচিংবা ওমার অব্দুলানা ফোঙদোকখিবগী মতাংদা বি জে পিগী প্রসিদেন্টনা হায়খি কাস্মিরবু ইন্দিয়াগী তৎনা থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা লৌফম থোকই। লৈবাক অমদা প্রাইম মিনিষ্টর অনী লৈবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা ইন্দিয়ান এয়রফোর্সনা বালাকোটতা নোংথক্তুগী এটেক চখ্থিবা মতমদা লৈবাক্কী মীপুম খুদিংমক হরাওনখি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা অকাইবা অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগী মরক্তা চাংদম্নরদুনা মহাক্না হায়খি প্রাইম মিনিষ্টরনা নোংমদা পুং ১৮ থবক শুই। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিদি থা ২ নৎত্রগা ৩ খুদিংগী মপান লৈবাক্তা কোইবা চৎলি। চহী ২০ হেন্না থবক তৌমিন্নরকপদা মোদিনা নোংম ফাওবা ছুটি লৌবা য়াওখিদ্রি। রাহুল গান্ধিনা থা ২ নৎত্রগা ৩ খুদিংগী মপান লৈবাক্তা কোইবা চৎপগুম প্রাইম মিনিষ্টরনা অরেম্বদা মতম মাংহনবা তৌদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অমিত সাহনা হায়খি মতম অমদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ লৈঙাক লৈরিঙৈদা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা তৌখিদে। পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা হেমরাজ কৌবা ইন্দিয়াগী লান্মী অমা থাঙনা ককতুনা হাৎতোক্লবা মতুংদা ইকায়বা পীবা ওইনা অককপা মকোক্তা খোঙপাক্না কাউখিবগী থৌওং অদু ঙসি ফাওবা কাওদ্রি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৩দা পাকিস্তানগী বোর্দর এক্সন টিম (বি এ টি)না লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) দা ইন্দিয়ান আর্মিগী লান্স নাইক হেমরাজ হাৎতোক্লগা হকচাংগী শরুকশিং মকক মকক ককথৎলম্বনি।

অমরোমদা অমিত সাহনা কোংগ্রেসপু কাস্মির তম্পাক্তা লৈরিবা সেপরেটিষ্টশিংগী মতেং পাঙই হায়না মরাল শীখ্রে। মহাক্না হায়খি হৌজিক ফাওবা কোংগ্রেসনা কাস্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি।

# অয়াবা য়াওদনা রেল্লি পাঙথোকপগীদমক গৌতম গম্ভিরগী মথক্তা দিল্লি পুলিসনা কেস ফাইল তৌখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী)ঃ**
ক্রিকেট শান্নরোয় ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা গৌতম গম্ভিরনা অয়াবা য়াওদনা পোলিটিকেল রেল্লি পাঙথোকই হায়বগীদমক দিল্লি পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

বি জে পিদা য়াওরকখ্রবা গৌতম গম্ভিরনা এপ্রিল ২৫দা দিল্লিগী জংপুরাদা অয়াবা য়াওদনা রেল্লি পাঙথোকখি হায়বগীদমক ইলেক্সন কম্মিসনগী য়াথং মতুং ইন্না কেস অমা দিল্লি পুলিসনা লৌখৎখিবনি।

বি জে পি লৈঙাক্কী থবক থৌরম পুন্নমক শৌগৎতুনা লাকখিবা গৌতম গম্ভিরনা মমাঙ থাদা পার্টি অসিদা য়াওরকপদা সেনিয়র লিদর অরুন জেটলিনা তরাম্না ওকখি। ইষ্ট দিল্লি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মহাক্না মহেস গীরিগী মহুৎতা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্তুনা কোংগ্রেসকী অরবিন্দর সিংহ লভলি অমসুং আম আদমি পার্টিগী অতিসিগা অকনবা লম্বা পান্নরি।

মশাগী চহী ৩৭ শুরবা গৌতম গম্ভিরনা মীরেপ ওইরকপগী মতাংদা এ এ পিগী মীরেপ অতিসিনা হায়খি ভোটর আই দি অনী পায়রম্বগী মতাংদা কেস মায়োক্নরিবা গম্ভিরনা হৌজিক অমুক অয়াবা য়াওদনা ইলেক্সন রেল্লি পাঙথোকই হায়বগীদমক অতোপ্পা কেস অমা অমুক মায়োক্নরে। লৈবাক্কী লো মমুৎ তানা খঙদবা মীওই অমবু বি জে পিগী মীরেপ ওইনা থাগৎলকপসি মীয়ামগী লাইবক থিবনি।

অতিসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক গৌতম গম্ভিরনা দিল্লিগী কেরোল বাঘ অমসুং রাজিন্দর নগরদা তোখাই তোখাইনা ভোটর লিষ্টতা মিং চলহন্দুনা ভোটর আই দি কার্দ অনী পায়রি। চহীদা লুপা ক্রোর ১২ হেন্না তান্নবা ঙন্মী হায়রিবা মীওই অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা দিল্লিদা খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মীরেপশিংগী মনুং চল্লি।

টেষ্ট মেচ ৫৮ অমসুং ৱান দে ইন্টর্নেসনল মেচ ১৪৭ শান্নখ্রবা গম্ভিরনা কুমজা ২০০৭কী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ অমসুং কুমজা ২০১১গী ৱান দে ইন্টর্নেসনল ৱর্ল্ডকপ্তা শরুকয়াখি।

বি জে পিদা য়াওরবা মতুংদা মহাক্না কাস্মিরগী মরু ওইবা পোলিটিসিয়ানশিং - মেহবুবা মুফমতি অমসুং ওমর অব্দুলাগা মায়োক্নবা লৈখ্রবনি। মহাক্না মীরেপ ওইরিবা ইষ্ট দিল্লি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল মে ১২দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

আন্নগী ক্রিকেটর অসিনা মীরেপ চে পীশিনখ্রবা মতুংদা স্ক্রুটিনি তৌবগী অরোইবা মতম নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা এ এ পিগী লুচিংবশিংনা টিস হজারি কোর্টতা কেস অমা ফাইল তৌরকখি।

মীরেপ চেশিং স্ক্রুটিনি তৌরিঙৈগী মনুংদা কনাগুম্বা মীওই অমনা মীরেপ চে পিশিল্লকপদা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং কোর্টতা চেলেঞ্জন তৌরকপা ঙম্মী। কোর্টনা কেস অসি মখা তানা ৱায়েল চথবগীমথৌতাদ্রেহায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসনা পীরকপা য়াথং মতুং ইন্না হান্নগী ক্রিকেটর অসিগী মথক্তা দিল্লি পুলিসনা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখিবনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা মীরেপ চে পীশিনবদা ইলেক্সন কম্মিসননা অয়াবা পীখ্রবদি কোর্টকী য়াথং য়াওদনা মীওই অদুবু কনা অমত্তনা মীরেপ ওইহন্দবা ঙমদে হায়রি।

## ইন্দিয়ন ওসিনদা সাইক্লোন লাকপা য়াই

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী)ঃ**
ইন্দিয়ান মেটরলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা লৈঙাক্তা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা পুং খরগী মনুংদা সাইক্লোনিক ষ্ট্রোম অমা লাকপা য়াই হায়না চীংনবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান ওসিন অমসুং বে ওফ বেঙ্গলগী সাউথৱেষ্ট এরিয়াদা নোংকন্না চুবা মরম্না দিপ্রেসন অমা লাক্তুনা নোথৱেষ্টর্নগী মফমশিংদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্তুনা য়ুম কয়া মাংতাকহন্নবগী তাঙ্কতা লৈরে হায়খি।

ইন্দিয়ান মেটরলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা বে ওফ বেঙ্গলগীদগী লৈখৎলকখিবা নোং পুবা নুংশিৎনা ষ্টেট অদু খক্তা নত্তনা য়ুলোন্নবা ষ্টেট কয়াদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী মমি ফংগদৌরি।

ইক্বেটোরিয়েল ইন্দিয়না ওসিনগী অৱাংথংবা শরুক্তগী হৌরকখিবা দিপ্রেসন অদুনা মখা তানা বে ওফ বেঙ্গলগী খা থংবা শরুকশিংদা হায়থখিগদুনা শ্রীলঙ্কাগী খা নোংপোক থংবা কিলোমিটর ৮৭০ শাংবা মফমশিংদসু চৈথেং পীবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি। মসিদসু নত্তনা চেন্নাইগী খা-নোংপোক থংবা কিলোমিটর ১২১০ শাংবা মফম অমসুং অনধ্র প্রদেশকী মচলিপটনমগী খা নোংপোক থংবা মফমদা লৈরিবা কিলোমিটর ১৫০০গী মফমশিংদসু সাইক্লোন অসি য়ৌরকপায়ানা লৈরি হায়না ইন্দিয়ান মেটরলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী মায়কৈন্দগী ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ান মেটরলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই অমনা মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা পুং ১২ অসিগীমনুংদা সাইক্লোনিক ষ্ট্রোম অমা লাকপা য়াবগী চপ চাবা ইন্দিকেসন ফংবা ঙল্লে হায়খি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মায়কৈদগী মখা তারকপদা নোংলৈ নুংশিৎ অসি এপ্রিল ৩০ ফাওবদা এক্তিব ওইদুনা অনধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবালশিংদসু শোকহনবা য়াবগী তাঞ্জা লৈহায়খি।

# করনাটাকাগী পুলিস পর্সনেলশিংদা টেররিষ্ট লৈরে হায়না কোল তৌদুনা কিহনবগী থবক চখ্থিবা আর্মি পর্সনেল ফাখ্রে



**বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী)ঃ**
করনাটাকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুগী পুলিসনা ঙসি ষ্টেট অদুগী পুলিস কন্ট্রোল রুমদা শাশিন্নবা কোল অমা তৌরক্তুনা ষ্টেট অদুদা টেররিষ্ট ১৯ চঙশিন্দুনা লৈরে হায়না পাউ পীরকখিবা আর্মিদগী রিটয়ার্দ তৌরবা পর্সনেল অমা ফাখ্রে।

মশামক চহী ৬৫ শুরবা ট্রক দ্রাইভর অমা ওইরিবা আর্মিদগী রিটয়র্দ তৌরবা স্বামী সুন্দরা মুর্থিবু বেঙ্গালুরু পুলিসনা ফাবা ঙমখিবনি। বেঙ্গালুরু পুলিসকী কন্ট্রোল রুমদা লাকখিবা মফম অদুদা টেররিষ্ট ১৯ চঙশিন্দুনা তোঙান-তোঙানবা অকায় অপন থোকহন্নবগীদমক লৈরে হায়না পাউ পীরকখিবা ফোন কোল অদুগী হৌরকফম অদুথিননবা পুলিসকী স্পেসল স্কৱাদনা থবকচখ্থি।

স্পেসল স্কৱাদ অদুগী থিজিনবগী কান্নবা ফংলদুনা ট্রক দ্রাইভর অমা ওইরিবা স্বামী সুন্দর মুর্থিবু বেঙ্গালুরুদগী খরা চৎলকা লৈবা অভা লাহল্লিদগী ফাবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, বেঙ্গালুরু পুলিসনা ষ্টেট অদুদা অমদি লোন্নবা ষ্টেটশিংদা হন্দক্কী ইষ্টর সন্দেগী শ্রিলঙ্কা বোম ব্লষ্টতা মীওই ২৫৩ শীখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী খা থংবা ষ্টেট ৮দা টেররিষ্টকী তোঙান-তোঙানবা সেরেল এটেক চখ্থরগনি হায়বগী পাউ অমা লাকপদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মরুম ওইনা করনাটকাদা থবক লৌখৎলি।

ঙসি করনাটাকাগী অবাহলল্লিদা ফাখিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী রিটয়ার্দ পর্সনেল স্বামী সুন্দর মুর্থিগী মচানুপা ইন্দিয়ান আর্মিদা থৌ পুরল্লবা মতুং কার্গিল ৱারদা থৱায় থাখিবনি।

মুর্থিবু বেঙ্গালুরু পুলিসনা ফারবা মতুং ৱাহং পাউহং তৌবদা মহাক্কী ৱাখলদা শ্রীলঙ্কগী বোম ব্লষ্টকী মতুং ইস্লামিক ষ্টেটকী টেররিষ্টশিং অদুনা ইন্দিয়াগী খা থংবা ষ্টেটশিংদা চঙশিল্লক্তুনা মখা তাবা এটেক কয়া তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবদগী ফোন অদু তৌখিবনি হায়রি।

পনবা য়াই, শ্রীলঙ্কাগী বোম ব্লাষ্ট এটেক অদুগী মতুংদা করনাটাকা পুলিসকী মকোক ওইরিবা দি জি পি নিলমনি এন রাজুনা ষ্টেট অদুগা লোন্নবা ষ্টেট ৬ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদা ইবা চেরোল পীদুনা শ্রীলঙ্কাগী বোম ব্লাষ্টকী থৌদোক্কী মতুং মফম অদুদা মখা তানা আই এস আই এসকী মীওইশিংনা এটেক চখ্থরকপা য়াবগী থাজবা লৈবা মরম্না চেকশিন ৱাহে ফোঙদোকখ্রবনি।

করনাটাকগী দি জি পি অদুগী ৱারোল মখা তারদুনা ফোনদা টেররিষ্টকী এটেক লৈগনি হায়না কিহল্লকপা স্বামী সুন্দরম্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগী কান্নবা লৌদুনা করনাটাকা, টমিলনাদু, কেরলা, টেলঙ্গনা, মহারাষ্ট্র, গুজরাট, পুদুচেরি অমসুং অন্দ্র প্রদেশকী পুলিস দিপার্টমেন্টশিংদা হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ৱাহে কয়া ফোঙদোকখি।

# বি জে পিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা মমতা বেনর্জিগা অকনবা লম্বা পানরগনি

**কোলকতা, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী)ঃ**
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওপোজিসন পার্টি অমা ওইরিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক শীনবা থুংনা চখ্থরিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা সেট ৮০ ফাওবা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মখা তানা মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবদা অনধ্র প্রদেশ, টামিলনাদু, পঞ্জাব, কেরলা, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং ওরিষা বি জে পিগী পার্টি অমত্তা মায় পাকপা ঙল্লোই হায়না চাওনা ফোঙদোকখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পুন্দুৱাদা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা চখ্থিবা ভোটকী ওইবা খোঙথাংশিংদা ত্বিটর একাউন্ট পাউ পীরকখিবদা মহাক্কী পার্টিনা ষ্টেট অদুদা বি জে পিদগী ভোট মশিং য়াম্না হেন্দুনা লোক সভাগী মীখল অদুদা য়াম্না হেন্না মায় পাক্কনি হায়না থাজবা থমখি।

মমতা বেনর্জিনা পন্দুৱাদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস পার্টিবু থাজরুনু। পার্টি অনি অসিনা লৈঙাক পায়রকপগী থৌওংশিং অদু মীয়াম্না মহাও লৌবা ঙমখ্রবনি।

হৌজিক ফাওবদা বি জে পি অমসুং চুংশিন্নবা লৈঙাক্না শীনখিবা থবক থৌরমশিং অদুদা মখোয় মখোয়গী পাঙ্গল উখোকপা অদুখক্তা নত্তনা মীয়ামগী ওইবা চাওখৎ খোঙথাংগী ৱাফম অমত্তা রেল্লিদা পনখিদে হায়রি।

# থৌনা ফবা নেভি ওফিসর দি এস চৌহান লোয়নবশিং কনবদা থৱায় থাখিবনি



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী)ঃ**
এয়রক্রাফ্ট কেরিয়র আই এন এস বিক্রমঅদিত্যা ঙরাং মৈ চাকখিবগী থৌদোক অদুদা লোয়নবশিংগী থৱায় কনবা খক্তা নত্তনা জহাজ অদু মপুং ওইনা কনবা ঙমখিবা ইন্দিয়ান নেভিগী লেফটনেন্ট কম্মান্দর টি এস চৌহানবু ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সেসকী মায়কৈ শীনবা থুংবদগী থাগৎপা ৱাহে অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

আই এন এস বিক্রমঅদিত্যা হায়না মিংথোনবা ইন্দিয়ান নেভিগী এয়রক্রাফ কেরিয়র অদুগী মথক্তা মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোক্লকখিবা অদুদা জহাজ অদুদা তোংখিবা থৌনা ফারবা লেফটনেন্ট কম্মান্দা টি এস চৌহানবা মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌখিবগা লোয়ননা জহাজ অদুনা তোংখিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থৈদোকপা ঙমখিবতা নত্তনা জহাজ অদুগী মপুং ওইবা মফমশিং অশোই অঙাম য়াওদনবা হোৎনরল্লগা মহাক মশামক থৌদোক অদুদা লৈখিদবনি।

ইন্দিয়ান নেভিগী লুচিংবা ওইরিবা এদমিরেল সুনিল লনবানা ফোঙদোরকখিবদা লেফটনেন্ট কম্মান্দর দি এস চৌহাননা মহাক্কী মথৌদাং অদুগী শরুকশিং অদু লান্থোক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমদা এয়রক্রাফ কেরিয়র অমসু ওইরিবা আই এস এস বিক্রমঅদিত্যগী মফম খরদা মৈ চাকখৎলকপা অদু মুত্থৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরল্লগা লৈখিদবনি।

এদমিরেল সুনিল লনবানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়ান নেভিগী থৌনা ফরবা ওফিসর লেফটিনেন্ট কম্মান্দর টি এস চৌহানগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎলি। মহাক্কী থৌনা অমসুং দ্যুটি মশক খঙবা অদুনা এয়রক্রাফ কেরিয়র অমা ওইরিবা আই এন এস বিক্রমঅদিত্য জহাজ অদুদা মখা তানা শোক্লমগদবা অমদি পুন্সি কয়া মাংলমগদবা অদু মহাক্কী থৌনানা নাথৈদুনা থল্লম্লগা মশামক লৈখিদবনি হায়না এদমিরেল লানবানা মখা তাখি।

# দলাই লামা দিল্লি হোস্পিটালদা লায়েংলম্বদগী ফগৎলক্তুনা হিমাচল প্রদেশকী ধর্ম্মসলাদা হনখ্রে



**সিমলা, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী)ঃ**
বুধিজম লাইনিংগী মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইরিবা টিবেটকী দলাই লামা মশাগী থবক নুংঙাইরক্তবদগী দিল্লিগী হোস্পিটাল অমা লায়েংদুনা লাকখিবা অদু ফগৎলকপদগী হিমালচ প্রদেশকী ধরমসলা সিটিদা হনখ্রে।

দলাই লামা টিবেটকী লাইনিং লাইশোনগী তোঙান-তোঙানবা কাংলুপশিংগী মরক্তা বুধিজমগী অচেৎপা মীওই অমা ওইনা লৈরকখিবা অদু চাইনানা লৈবাক অদুগী মায়োক্তা ইরাং হৌবা কাংলুপ অমগী মরু ওইবা লুচিংবনি হায়না ফাননবা হোৎনরকখিবনি।

দলাই লামাবু ইন্দিয়ানা এসাইলম পীদুনা চাইনাগী মায়কৈদগী কিহল্লকপশিং অদু নাথৈদুনা থল্লগা হৌজিক ফাওবদা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগী অপুনবা মীফম অমদি মালেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা শরুক য়ারি য়ু এ ওগী মেম্বর অমা ওইখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লোন্নবদা লৈরিবা টিবেটিয়ানশিংগী মায়কৈদা লেপ্তুনা খোল্লাউ লাউখিবা অমদি অকনবা ফীরেপ লৌদুনা থবক কয়া চঙশিনবা ঙমখ্রবা লুচিংবা অমনি।

বুধিস ধর্ম্মগী লুচিংবা অমা ওইরিবা দলাই লামানা মশাগী ফিভম শোকচিল্লবসু নাথৈদুনা থল্লগা মহাক্কী লাইনিং লাইশোন অমদি মহাকপু তুংকোইনা ইন্নরক্লিবা মশিং য়াম্লবা মীওইশিং অদু থাজবা মাংহন্দনা লুচিংবা অমগী থৌদাং লৌদুনা টিবেটিয়ানশিংবু চাইনানা খুদুম চনশিন্দুনা থস্বগী লালোং অদুগী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ লৌরগা থবক তৌখিবনি।

দলাই লামা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা হিরমদা পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা অমা ওইরিবা নোভেল প্রাইম ফংবা ঙমখ্রবনি। দলাই লামা থা অসিগী ৯দা মশাগী নুংঙাইতবা হিরম কয়ানা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লাকখিবনি।

ওফিসল ওইবা পাউ অসিনা মখা তারকপদা মহাক্কী নুংঙাইতবশিং অদু লাম্থোকপা ঙমদুনা হকশেলগী মতাংদা অফবা থবক থৌরম কয়া চখবা ঙমদুনা লৈরি।

ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনাইকনা মহাক্কী ত্বইটর একাউন্দদা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা দলাই লামা মশা ঙমদদুনা লৈরকখিবা অদু অথুবা মতমদা ফগৎতুনা হান্নদগী চখ্থরক্লিবা লুচিংবা অমগী থৌদাং অদু মখা তানা পাঙথোক্লবগীদমক্তা শৌগৎপা ৱাহে ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াদা চাওরক্লা টিবেটিয়ান লাখ১ রোম লৈরি। মীয়াম অদুগী অয়াম্বনা মখোয়গী লুচিংবা দলাই লামাগী হকচাং ঙমদদুনা লৈরকখ্রবা মতুং ফিভম ফগৎলকপা অদুদা হরাও তয়াম্বা ফোঙনরকখি।

কুমজা ১৯৫০দা চাইনানা টিবেট লাকশিনখ্রবা মতুং মদুগী মায়োক্তা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মতেং নীদুনা টিবেট লৈবাকপু কন্ননবা হোৎনরকখিবা লুচিংবা দলাইলামানি।

1ST BATCH
S3 STEPS TO SURE SUCCESS
COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
RUN BY WELL QUALIFIED, LONG TERM EXPERIENCED TEACHER WITH WELL KNOWN GUEST FACULTIES
ADMISSION OPEN : FOUNDATION COURSE FOR CLASSES : IX, X, XI & XII
Subject Offer are : MATHEMATICS, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE
ENGLISH FOR CLASSES IX AND X - BOSEM/CBSE
MATHEMATICS, PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY, ENGLISH FOR CLASS - XI AND XII
CLASS COMMENCING FROM 06TH MAY, 2019
Separate Classes for CBSE and COHSEM
* ONLY 20 STUDENTS PER CLASS PER BATCH *
Special Features :
THEORY WITH PRACTICAL TEACHING METHOD
SUPPLY STUDY MATERIAL FOR EACH UNIT
REGULAR UNITWISE TEST SERIES
REGULAR COUNCELLING BY EXPERTS
VAN SERVICE
SEPARATE HOSTELS FOR BOYS AND GIRLS
UNDER STRICK SUPERVISION BY EXPERT TEACHER
ALSO AVAILABLE REGULAR COURSE FOR NEET CHEMISTRY.
"Come for study not as Fashion"
CLASS TIMING :
MORNING 4:30 TO 7 A.M.
EVENING 4:50 TO 7:50 P.M.
Please Contact : 9856331259, 7005158667.
HL-B/5335/12/4-10/6(alt)

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
NOTICE
15th April 2019
Class-XI & Class-XII Foundation Course 2019 which is scheduled to Commence from 17th April 2019 has been postponed on 2nd May 2019 due to some unavoidable reasons.
Sd/- Administrator
HL/B/5357/27,28,29,30&1may

SPOKEN ENGLISH & COMPUTER
Join at anytime for X, XI, XII students, collegians, office goers, etc.
Centre 1: Waheng Leikai, near Bheigo Hotel, Imphal.
Sir Tejkumar, teaching since 1987, #6909651741, 9089825142
Centre 2: Keishampat Leimajam Leikai, near community hall.
Miss Alice, M.A. English, Panjab University (Lexica), #9089685408
Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Group discussion, Public Speaking, Personality Development, Audio and visual classes, Special care for weak students
Only for seniors at 5 am (Centre 1)
100% English Fluency Guaranteed
Free 1 month computer course with one English course
Centre 1: 6:10 am, 7:30 am, 10:00 am, 11:30 am, 1:30 pm, 4:00pm Centre 2: 6:00 am, 7:30 am, 11:00 am, 3:30 pm
HL-B/5287/16/3-23/5

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X
COHSEM/CBSE/BOSEM
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise Authentic Study Materials.
2. Exam. Oreinted Test Series for Final Examination.
3. Probable Questions and Answers for 2019 Exam.
4. Special Fee Concession for CASIANS.
5. Vision for Toppers for 2019 Final Exam.
2ND BATCHES
Classes Commencing from 9th May 2019
Seats are Limited First Come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/5308/24/4-8/5